# থাঙ-তা মশান্নবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অমদি হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংগীদমক কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌগনি : অঞ্জনা

শান্নবুংগী পাউদম-২৫
জয়চান্দ লুৱাং



লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা থাঙ-তা হৌজিক্তি মশান্না অমা ওইনা লৈঙাক্লা মশক খঙবীরবসু থাঙ-তা শান্নরিবা শান্নরোয় কয়াদি লৈঙাক্কী অহেনবা মতেং ফংদবনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। কখোকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী নাৎ, চৎনবীগা শাগোন্নরিবা থাঙ-তাবু লৈঙাক্লা খরা হেন্না পূক্নিং চঙবীদুনা য়োকখৎপীরবদি লমদম অসিগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ কয়া পুরকপা ঙমগনি। লৈঙাক্লা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবানৎত্রগা চঙদবা হায়বদুদি লুচিংবশিংগী মখূৎতা লৈরে। অদুম ওইনমক ঐগী ওইনদি ঙল্লিবমখৈ থাঙ-তা মশান্না অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক অমদি মশান্না অসিদা নৌনা খোঙদারক্লিবা শান্নরোয়শিংগীদমক কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌখিগনি হায়না ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মশান্না অসিদা গোল্ড মেদল ফাওবা লৌরকখ্রবী অহৈবম অঞ্জনা চনুনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা শান্নখিবা ৱারী অমদা অঞ্জনানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, লমদম অসিদা অফাওবা শান্নরোয় কয়া লৈখ্রে। তোঙান-তোঙানবা ফিল্ডশিংদা মালেমগী থাক্তা গোল্ড মেদল ফাওবা লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শোত্থনা লৈহৌরিবা অসি থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিংনি। খেলো ইন্দিয়াদা হন্দকথাঙ-তায়াওহল্লকখিবা অসি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি। অদুম্মকপু নেসনল গেমসতদি মশান্না অসিয়াওবা ঙমদ্রি। নেসনল গেমসতা নৎত্রগা ওলিম্পিকস্তা মশান্না অসি য়াওদবগীদমক ফিল্ড অসিদা লৈরিবা নৎত্রগনা থরায় য়াওনা শান্নজরিবা শান্নরোয়শিংবু হন্থনা য়েংবীরব্রা হায়বগী ৱাখলফাওবা খল্লকপায়াওখি। অদুবু থম্মোয়না খোয়দারুবা মশান্না অমা ওইরুবনা লাপথোকপা ঙমদনা ঙসিসু শান্নরি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা থাঙ-তা পামজনা হৌরকখি। অঙাং ওইরিঙৈদা থাঙ-তা শান্নরবসু মশান্না অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙবীরক্তে। হরাউ কুম্মৈ মতমদা নৎত্রগনা ফম্নাইবা-ফম্নাইবী ওকপা মতমদা কুম্মৈ উৎনবগীদমক্তা থাঙ-তা তল্লিবা শান্নরোয়শিংবু হেক-হেক কৌরক্লম্মী। মতম অদুদা মহাক্কী পূন্সি অসি মীমাং থোক্লা শান্নবা ঙমদনা অদুম্মক লোইখ্রগদ্রা হায়না পূক্নিংদা মী খঙহন্দনা কয়ারক কপখি। অদুবু ঙসিদিহান্না মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনরকখিবা ওজা প্রেমকুমার অমদি মহাক্না লোয়নরিবশিংনা কন্না হোৎনবীবদগী মশান্না অমা ওইনা মশক খঙবীরকখিবা অসি থাঙ-তাবু পামজরকখিবশিংগীদমক্তদি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম অমা পীরদুনা অঞ্জনানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা লূপ অমা লিংখৎলবা মতুং অনী নৎত্রগা অহুম থোকপগী চৎনবী অমা লৈরিবা অসি নুংঙাইজদে। অদুবু তোঙান-তোঙানবা লূপ ওইনা লিংখৎনরবসু চপ মান্নবা পান্দম অমা থল্লগা মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নরবদি হেন্না অপেনবা ওইগনি। লৈঙাক্লসু মশান্না অসিদা খরগা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা থাঙ-তা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎহন্নিংই। অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা শান্নরোয়শিং মরুওইনা থাঙ-তা শান্নরিবশিংদা পীরিবা খূদোংচাবা অসি য়াম্না পীকপা চাংদনি। চহী ১দা নেসনল নৎত্রগা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মেদল লৌরকখ্রবশিংদা ইন্সেন্টিভ পীবীরি। চহী ১দা লিশিং ১০ য়ৌদবা ইন্সেন্টিভকী শেনফম অসি ফাওবদা মতম চানা দিপার্টমেন্ট অসিনা পীথোরক্ত্রিবা অসি লায়রবা শান্নরোয়শিংগীদমক্তদি য়াম্না অৱাবা অমা ওইরি। চহী ১গী ইন্সেন্টিভপু চহী ২ নৎত্রগা ৩ নমশিল্লগা পীবা হায়বসি লাইবক থীবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, অহৈবম অঞ্জনা চনু শীংজমৈ চীংঙা মখা য়াংলেম লৈকাইদগী অহৈবম রাজেন্দ্র খুমন অমদি অহৈবম ওংবী থোইবী লৈমগী মচানুপীনি। ওজা ঘনশ্যামগী মখাদা ইহান হানবা ওইনা থাঙ-তা শান্নবা হৌরকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্না ইন্টরনেসনলগী থাক্তা গোল্ড মেদল ২, এসিয়ন লেভেলদা সিলভর মেদল ১, নেসনলগী থাক্তনা গোল্ড ১৪, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংদুনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকখ্রবী শান্নরোয় অমনি। মহাক্না মেদল লৌরকখ্রবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা খরদি অহানবা ৱর্ল্ড থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১১, অনীশুবা সিনিয়র এসিয়ন থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ, ৪শুবা ইন্টরনেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ, ১২শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ অমদি অহানবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপনি।

# বেবি রোজিসনা অমসুং সামিম বানু ক্বার্টর য়ৌখ্রে, অশালাতা প্রি ক্বার্টর চঙখ্রে



বেবি রোজিসনা



সামিম বানু



অশালাতা

হিসার, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

হরয়ানাগী সিটি হিসারদা চথরিবা মঙারকশুবা এলিট ৱিমেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবী বেবি রোজিসনা নাওরেম অমসুং খুল্লাকপম সামিম বানু মখোয়-মখোয়গী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদু মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুগা হুইনিংশুম্বম অশালাতা মহাক্কী বাউট মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৫৪ (বেন্টম)গী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী বোক্সর বেবি রোজিসনা নাওরেমনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বোক্সর মারিয়াম অয়েশাগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট লম্বা তৌনরকপা অদুদা অহানবা রাউন্দ অদুদা বেবি রোজিসনানা হৌবদগী ফজবা ঙমদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বোক্সর মারিয়ামবু অহানবা রাউন্দ অদুদা কোইতান তান্নদুনা পঞ্চ কয়াগী মতেংনা খূদুম চনবা ঙমখিবদগী বাউট অদুবু কন্ট্রোল তৌখিবা রেফরিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বোক্সর অদু মখা তানা শোকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈরে হায়দুনা রেফরি ষ্টোপ কন্টেষ্টতা বেবি রোজিসনানা মায় পাক্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ঙসিগী অতোপ্পা কিলোগ্রাম ৫৭ (ফেদর ৱেথ)কী কেটগোরিদা মণিপুরদগী বোক্সর সামিম বানু খুল্লাকপমনা এন এ জিগী বোক্সর নির্মলগা অকনবা লম্বা থেংনখি। রাউন্দ অহুমগী লম্বা অদুদা সামিম বানুনা মতাং মতম চাবদা মরুওইবা পোইন্ট স্কোর তৌবা ঙমখিবদগী বাউট অদু লোইশিল্লকপদা জজ মঙামক্লা মঙোন্দা পোইন্ট হেন্না পীখিবদগী মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কিলোগ্রাম ৪৮দা মণিপুরগী অশালাতা হুইনিংশুম্বমনা মহারাষ্ট্রগী য়াসাস্রি ধনৱাদেগা লম্বা তৌনখিবা বাউট অমদা স্কোর ৫-০দা মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর য়ৌবা ঙমখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবী কিলোগ্রাম ৫০গী (লাইট ফ্লাই) কেটগোরিগী সর্জুবালা শমজেৎশাবম আর এস পি বি (রেলৱে স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দ)কী বোক্সর অনামিকাগা য়াম্না নক্লবা লম্বা অমদা জজ মঙাগী মনুংদা জজ অনীনা সর্জুবালাদা পোইন্ট হেন্না পীখিবা অদুগা অতোপ্পা জজ ৩না অনামিকাদা পোইন্ট হেনখিবদগী মায়থীহৌখি।

কিলোগ্রাম ৫২গী (ফ্লাই ৱেথ)তা মণিপুরগী ওজিবালা থৌনাওজম হরয়ানাগী বোক্সর মিনাক্সিগা লম্বা তৌনবদা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

কিলোগ্রাম ৬০দা মণিপুরগী প্রভিশ কোন্থৌজম চান্দিগরগী বোক্সর রিতুগী মখূৎতা ০-৫দা মায়থীহৌখি।

# দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সমির বর্মা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে

ওদেন্স, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

দেনমার্ককী সিটি ওদেন্সতা পাঙথোকপা মালেমগী ওইনা বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ভিক্টর দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সমির বর্মা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

টুর্নামেন্ট অদুদা সিদিং ফংখিদবা সমির বর্মানা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ূম্থু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় অদুগা অহুমশুবা সিদেদ ওইখিবা এন্দর্স এন্টোনসেনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৪, ২১-১৮দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মহাক্লা ঙসি সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুগিয়ার্টোগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু য়াম্না অকনবা মওংদা থেংনদুনা শান্নবা ঙমখি। মদুদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় টোমি সুগিয়ার্টোনা ইন্দিয়াগী সমির বর্মাবু ২১-১৭তা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেম শান্নবা হৌদ্রিঙৈ অহানবা গেম অদুদা মশা শোকখিবা ইন্দিয়াগী সমির বর্মা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুগিয়ার্টোনা মায় পাক্লগা সেমীফাইনেল য়ৌখি। পনবা য়াবদি, টোমি সুগিয়ার্টোনা মহাক্কী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা থোমাস রোজেলগা শান্নবদা অকনবা লম্বা মায়োক্লরগা ২১-১৮, ১৬-২১, ২১-১৯দা থোইরম্বনি।

টোমি সুগিয়ার্টোনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটাগা লম্বা তৌনরগনি। কেন্টো মোমোটানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় জোনাটন কৃষ্টিগা শান্নবদা অহানবা গেম অদু মহাক্লা ২১-১৩দা মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা গেম অদুসু মহাক্লা য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ১৫-০দা হেন্দুনা লৈরিঙৈদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় জোনাটন শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী সেমীফাইনেল য়ৌখিবনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেলদা য়ূম্থু লৈবাক দেনমার্ককী টুর্নামেন্ট অদুদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা ভিক্টর এজলসেন অমসুং হোং কোংগী লি চ্যুক য়ুগা লম্বা তৌনরগনি।

এজলসেননা ক্বার্টর ফাইনেলদা মলেসিয়াগী লি জি জিয়াবু ২১-১৯, ২১-১৯দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা, হোং কোংগী লি চ্যুক য়ুনা চাইনিজ টাইপৈগী টুর্নামেন্ট অসিদা মরিশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা চৌ টিয়েন সেনগা লম্বা তৌনবদা গেম ৩ থেংনরগা ২১-১৬, ১৯-২১, ২১-১৯দা থোইবা ঙমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম স্বিদেনগী জুরগার্দেন আই এফকী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রে

স্টোকহোম, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা স্বিদেনদা শান্নবা ফ্রেন্দলি মেটচশিংগী মনুংদা অনীশুবা মেটচ অদু ঙসি মফম অদুগী ক্লব জুরগার্দেন আই এফকা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখ্রে।

কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা য়ূম্থু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী শেম শাবা ওইনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চৎতুনা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নবগী টুরগী মনুং চন্না স্বিদেনগী ক্লব জুরগার্দেন আই এফকা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অকনবা লম্বা মায়োক্নরগা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অদু ০-১দা মায়থীবা নংখি।

পনবা য়াবদি, স্বিদেনগী নুপীগী ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মকোক থোংলিবা হামর্বি আই এফকা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী টিমনা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নরক্লবা মতুং পাঞ্জল ২-২দা লৈখিবদগী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী টিমগী শান্নরোয় অমগী অশোয়বা অমদি তাঞ্জা চাখিদবা শোট অমদা স্বিদেনগী টিম অদুনা কাওশিল্লকপদা খেৎতুনা চঙখিবদগী ২-৩দা মায়থীবা নংখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা স্বিদেনগী টুর অসিগী মাংওইননা য়ু এ ঈ অমদি বাহরেনদা মেটচ ২/২ শান্নখিবদা মেটচ ৩ মায় পাক্লগা ১ মায়থীবা নংদুনা এক্সপোজর টুর অদুদা ফজদুনা লাকখিবনি। অদুবু এসিয়াগী এক্সপোজর টুর অদুদা ফজবা ঙমখ্রবসু য়ুরোপকী ওইবা স্বিদেনগী মকোক থোংবা ক্লবশিং অদুগা মায়োক্লবদা পাঙ্গল অমসুং টেক্নিকতা খেন্নবা লৈরকপদগী শোত্থবা লাক্তুনা মায়থীবা নংখিবনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুগা স্বিদেনগী শান্নরোয়শিংগা মরেপ য়েংনবদা স্বিদেনগী শান্নরোয়শিং অদুনা খূদোংচাবা য়াম্না হেনখি। মদুনা মরম ওইরগসু টেক্নিকতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী ফজবা ঙমখি। অদুবু মশান্না অদুদা বোল ৱাংনা লাকপা তাঞ্জাদদি ইন্দিয়াগী মরেপ নেম্বা শান্নরোয়শিংনা বোল কন্ট্রোল তৌবগী খূদোংচাবা লৈখিদবা অদুগী অৱাৎপদি লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা স্বিদেনগী জুরগার্দেন আই এফকী শান্নরোয় ফেনিনা মেটচকী ৪৫শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জল অদু য়াম্না মরু ওইখি। মরেপ ৱাংবা হেনখিবা স্বিদেনগী ফুটবোল ক্লব অদুগী শান্নরোয়শিং অদুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা চথরকপা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবা অদু ফেনিগী পাঞ্জল অদুনা দিসাইদিং ওইখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা মখা তারকপা মেটচশিংদা পারা কয়া অমা শীজিন্নগদৌরি।

# সন্তোশ ট্রোফিদা মণিপুরনা নাগালেন্দগা অহানবা মেটচ শান্নরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা শরুক য়ারিবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফিকী মনুং চনবা নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইনা গ্রুপ বিদা মণিপুরনা য়ূম্থু ওইরগা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রুপ মেটচতা মণিপুরগী টিমনা অহানবা ওইনা নবেম্বর ২৮দা নাগালেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফি (নোর্থ ইষ্ট জোন) গ্রুপ বিগী মেটচশিং অদু মণিপুরনা য়ূম্থু ওইরগা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবনি। শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি য়ূম্থু মণিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরা অমসুং নাগালেন্দনি। নবেম্বর ২৮গী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ বিগী ওইনা অহানবা মেটচ অদু মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ শান্নরগা নুমীৎ অদুগী নুংথিল পুং ২.৩০দা মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরা থেংনগদৌরি। মখা তারকপা নবেম্বর ৩০দা মণিপুর অমসুং ত্রিপুরা থেংনগনি। অদুগা নুমীৎ অদুমক্তদা নাগালেন্দ অমসুং মিজোরাম শান্নগদৌরি। লোয়ননা গ্রুপ অদুগী অরোইবা মেটচশিং অদু দিসেম্বর ২দা মণিপুর অমসুং মিজোরাম থেংনরগা নাগালেন্দ অমদি ত্রিপুরা শান্নগনি।

# মেসন মাউন্টকী হেটট্রিকনা চেলসিবু নোরৱিচ সিটিগা শান্নবদা ৭-০দা মায় পাকহনখ্রে

লন্দন, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাং চহীদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা চেলসিগী মায়কৈদগী মেসন মাউন্টগী হেটট্রিক অদুনা চাওনা মতেং ওইরগা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা নোরৱিচ সিটিবু পাঞ্জল ৭-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ৮শুবা মিনটতা চেলসিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা জের্গিনোনা পীরকপা বোলদা মেসন মাউন্টনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা নোরৱিচ সিটিবু মখোয়না হেন্দুনা লৈখি। মেটচ অদুগী মখা চথরকপা মিনট ১৮ শুজিল্লকপদা চেলসিগী অতোপ্পা শান্নরোয় হর্টসননা টিমমেট কোবাসিককী বোলদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা মেসন মাউন্টনা সপ্লাই তৌখিবা বোলদা টিমমেট রিস জেমসনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা নোরৱিচ সিটিবু মখোয়না মাঙজিল থারগা লৈখি।

নোরৱিচ সিটিগী শান্নরোয়শিং অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ০-৩দা শোত্থদুনা লৈখিবা অদু ফুগৎনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। মদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা চেলসিনা মখা তানা চথরকপা এটেক অমদা মাটিও কোবাসিকনা অমুক্কা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট বেন চিলৱেলনা শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা চেলসিগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মেটচকী মখা চথরকপা ৬২শুবা মিনটতা চেলসিগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা কাওশিনখিবা বোল অদু নোরৱিচ সিটিগী মেক্স আরোন্সকী মখোঙদগী খেৎলগা চঙখিদুনা ৫শুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

পাঞ্জল ৫-০দা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা চেলসিগী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা মেটচকী ৮৫শুবা মিনটতা মেসন মাউন্টনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা মেটচ অদুগী ৬শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মায় পাকপগী লম্বৈলদা লৈখ্রবা চেলসিগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়দগী শোত্থনা লৈখিবা নোরৱিচ সিটিগী মায়োক্তা পুশিল্লকপা অতোপ্পা এটেক অমদা শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমদা মেসন মাউন্টনা মহাক্কী হেটট্রিক অদু টিমমেট লোপটস সিকনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল চন্দুনা ৭-০দা মেটচ অদু নোরৱিচ সিটিবু থোইখি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা অর্সনেলনা এষ্টন ভিল্লাবু ৩-১দা থোইবা ঙমখি। সাউথমটন অমদি বর্নলেগী পাঞ্জল অদু ২-২দা দ্রো চৎখি। মখোয়গা মান্ননা লিদস য়ুনাইটেদ অমদি ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্স পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। এবর্টনগী টিম ৱাটফোর্দকী মখূৎতা পাঞ্জল ২-৫দা মায়থীবা নংখি। অদুগা ন্যুকাসল য়ুনাইটেদ অমদি খৃষ্টল পেলেস পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখি। লীগ অসিদা চেলসিনা মেটচ ৯দা পোইন্ট ২২ ফংলগা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE FOR WELFARE OF OTHER BACKWARD CLASSES & SCs
1ST FLOOR, SOUTH BLOCK, SECURED OFFICE COMPLEX, A.T. LINE, MANIPUR

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Imphal, the 22nd October, 2021

No. A/PM-2/OBC-2020/479: In continuation of this Directorate's Notification of even no. dated 20th August, 2021, it is hereby informed to all concerned that the Bank Account Validation of 916 students under OBC (Pre and Post Matric) and SC (Pre & Post Matric) Scholarship Scheme for the year 2019-20 (remaining part) and 2020-21 have failed on PFMS as per the details given below:

| Sl. No. | Scholarship Scheme | PFMS Bank Validation |
|---|---|---|
| 1 | OBC Post-Matric 2019-20 (remaining part) | 163 |
| 2 | OBC Post-Matric 2020-21 | 599 |
| 3 | OBC Pre-Matric 2020-21 | 103 |
| 4 | SC Pre-Matric 2020-21 | 15 |
| 5 | SC Post-Matric 2020-21 | 36 |
| Total | | 916 |

2. List of the above students is made available on this Directorate's Website www.manipurobcsc.gov.in. Concerned students are therefore, advised to submit a clear copy of their Bank Passbook/Cancelled Cheque along with their registration ID and Aadhar to this Directorate on or before 30th October, 2021. Complaints/claims received after the last date will not be entertained.

Sd/- Ng. Bhogendra Meitei
Director (OBC & SC)
Government of Manipur

HL-B/7244/24

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি


## ওক্টোবর থা লোইখিগদৌরে ৱাথোক ওইরিবা ঙমখৈগী ৱারোইশিননদি ওইথোকপগী মমি উদ্রি



হৌখিবা চহী কয়াগী মমাংদগী মোরেদা ওইরিবা মণিপুরগী ঙমখৈগী চয়েৎনরিবা অসিগী মতাংদা মৈত্রবাক অসিগী সী এস ও অয়াম্বনা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা থেংখাং কয়ারক ৱারী শানদুনা চয়েৎনরিবা অসি লোইশিনবীনবা হায়জদুনা লাক্লি। অদুবু ওইথোক্কদবশিং ওইথোকপগী মহুৎতা হান্নগী লৈজরম্বা ঙমখৈগী শরুক্তগী অমুক্কা চঙশিল্লক্লগা বি আর টি এফনা অনৌবা শম্বলশিং খাজিল্লকপদগী মফম অদুদা খুন্দারিবা ঙমখৈশিংবু শেন্নবীরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা মতম চানা ঙসিগী লৈঙাক অমদি ঙমখৈগীদমক লাম্থেংনরিবা সী এস ওশিংদা পাউদম্লকপা অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা য়ু সী এমগী থৌমীশিংনা পাউমী কয়া য়াওনা মফম অদুদা চৎতুনা থিজিল্লুবদা বি আর টি এফনা খারিবা শম্বল অদু মফম চাদে, লান্না খারে হায়বা খঙবদগী পাউমীশিংনসু থৌদোক অদুগী মরমদা মরিক চুম্বা পাউদমশিং মীয়ামদা খঙহনবসু লৈখ্রে। থৌদোক অসিগীদমক পন্থদনা য়ু সী এমগী থৌমীশিংনা দেল্লীদা চৎতুনা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং উনদুনা পাউদমখি। অরোইবা ওইনা ইরমদম অসিদা পোকচবা, ইরমদম অসিদা চাউখিবা ঐখোয়গী ফিজিগী মণি য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর আর কে রঞ্জনগা উনদুনা থোক্লিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা মরিক চুম্নসু পাউদমখি। অদুবু লাইবক থীবদি চহী লোইশিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা ঙমখৈগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবা অসি মীচম অমা ওইনা নুংঙাইজদে।

❒ টি ঐচ বিরেন, নিংথৌখোং-১৪

## পোৎ-চৈ অমদি থাউগী মমল লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা খোল্লাউ লাউরসি



নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈশিংগী মমল নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎতুনা লৈরে। খূদম ওইনা হায়রবদা পেট্রোল, দিজল অমদি চাননবা চেঙ-হৱাই পূম্নমক শীজিন্নদবা য়াদবনিনা তাঙলবসু তাঙনা অদুম্মক মীয়াম্না শীজিন্নরি। অদুবু ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবা মীয়াম্না কমপ্লেন অমত্তসু তৌনদে। অমরোমদা, লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মীওইশিংনসু নোংমতা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপসু তাদ্রি। মহৈরোয়, নহারোল কয়াসু মসিগী মায়োক্তা লৈদুনা লাউ খোংবগী থবকসু তৌবা উদে। মীয়ামসু থাউ অমদি পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎলে হায়রবসু অদুম্মক পংলৈদা লৈনৈ। অমরোমদা য়াম্না ঙক্লিবা অমনা এ সী খরদা অনৌবা মীরেপ ওইগদবা অমসুং হান্নগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা মাগী-মাগী এ সীশিংদা চাকথোং গ্যাস লৈতবশিংদা লেম্না মতেং পাংবীরি। মসিবু করম্না পীবীরিবনো? মীয়ামদা চাকথোং গ্যাস পীবীরিবা অদুবুদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অদুবু গ্যাসকী মমলসু নোংম-নোংমগী মমল হেনগৎতুনা লুপা লিশিং ১গী মথক্তা ৱাংনা লৈখিবদা অমুক গ্যাস হান্নবা হোৎনরকপদা অৱাবা লৈগদ্রা খল্লি। ঙসি-ঙসিমক নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈশিং অতিয়া পক্লা ৱাংলিবা অসি মীয়াম পূন্না অমুক্তং খোল্লাউ লাউমিন্নসি। শেম্থোক লম্বী লৈজদবা মীয়ামদি ৱাবনা কোক্তা খূৎ হাপ্পরবনি। মরী লৈনবশিংনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি উবীরদুনা কোক্লনবা অখন্ননা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়জরি।

❒ ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।


# এম এম এ চঙাঙ্গৈগী সেসন হৌননবা শেম শারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর মুএথাই লভর্স এন্দ প্লেয়র্স ওর্গনাইজেসনগী মখাদা লৈবা মণিপুর মুএথাই একাদেমি চঙাঙ্গৈগী মায়কৈগী ৱারোলদা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা লেপ্লুরবা একাদেমি অসিগী থবক থৌরমশিং চহী অসিগী নবেম্বর ১দগী হান্নগুম্না থবক তৌবা হৌরগনি হায়না ওল মণিপুর মুএথাই লভর্স এন্দ প্লেয়র্স ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এম এম এ চঙাঙ্গৈদা নৌনা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা এদমিসন ফোর্ম লৌবা য়ারগনি হায়না মখা তারক্লি। ওল মণিপুর মুএথাই লভর্স এন্দ প্লেয়র ওর্গনাইজেসন অসি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমসুং এসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিনা রিকগ্নাইজ তৌরবা ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ মুএথাই এসোসিএসন থাইলেন্দদা এফিলিএসন ফংলবা অমদি য়ুনাইটেদ মুএথাই এসোসিএসন ইন্দিয়াগী মখাদা শকখঙলবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরি। ওর্গনাইজেসন অসিগী শান্নরোয় লাইশ্রম বিদ্যাচন্দ্র অমসুং অসেম তোন্দোনবনা থা অসিগী ২ অমসুং ৩দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ট্রায়ল সেলেক্সনদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্ননবা খল্লত্তুনা দিসেম্বর ৩দগী ১২ ফাওবা থাইলেন্দদা এসিয়ন ইন্দোর মার্সিএল আর্ট গেমদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনগদৌরিবনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 268

**Palleja, Xavier - De Jong, Arjen**
**Chanac op Chanac, 1989**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 d5 | 2.exd5 Nf6 | 3.c4 e6 | 4.dxe6 Bxe6 |
| 5.d4 Nbd7 | 6.Nc3 Be7 | 7.Be3 O-O | 8.Bd3 c6 |
| 9.Nge2 Re8 | 10.O-O Qa5 | 11.Qc2 Rad8 | 12.Nf4 Nf8 |
| 13.Rad1 Bc8 | 14.Rfe1 Bd6 | 15.h3 Bb8 | 16.Nfe2 Ng6 |
| 17.Ne4 Nh5 | 18.Nd2 f5 | 19.Bg5 Ne7 | 20.Nf3 h6 |
| 21.Bxe7 Rxe7 | 22.Nc3 Rde8 | 23.Rxe7 Rxe7 | 24.Re1 Rxe1+ |
| 25.Nxe1 f4 | 26.Qe2 Nf6 | 27.Nf3 a6 | 28.Ne5 Ba7 |
| 29.c5 Qd8 | 30.Bc4+ Nd5 | 31.Ng6 Kh7 | 32.Qe4... |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 267 Ans. :**

30. ...Ra3 31.Ne1 Ra2+ 32.Nc2 Nf7 33.Bc4 Rxc2+ 34.Kxc2 31. Ne1 c5 32.Nc2 cxb4 33.Nxa3 bxa3 34.Kc3 f5 35.Rd1 fxe4 36.Rd7 Nhf5 37.a6 Nxe3 38.Rxb7+ Ka8 39.Kb3 N3f5 40.Kxa3 e3 41.Rd7 Nd4 42.Rxe7 Nxb5+ 43.Kb4 Nd4 44.Kc5 Nf5 45.Rd7
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com